# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-09-2026)**

**অধালত(এল)ঃ** চহি অসিগী অহুমলকশুবা নেসনেল লোক অধালতগী থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসি মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমসু ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি। মনিপুর ষ্টেট লিগেল সাভির্সেস ওথোরিতিগী নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না নেসনেল লোক অধালটকী থৌরম অসি ঙসি অয়ুক পুং তরাদগী হৌদুনা নুংথিল পুং মরি ফাওবা চত্থগনি। বেঞ্চ অহুম থোকা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল লোক অধালটকী থৌরম অসিদা বেঙ্ক রিকোভরি, ইলেক্ট্রিসিতি, ৱাটর বিল, মোটোর এক্সিদেন্ট ক্লেম, মেত্রিমোনিয়ম দিসপ্যুট রেভিন্যু কেসনচিংবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা কেস লৌখৎতুনা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনগনি।

**সিএম (এল)ঃ** ভারত্তা লৈরিবা আমেরিকাগী এম্বেসেদর-সরজিও গোরগা, মুখ্য মন্ত্রি-যূমাম খেমচান্দগা ঙরাং রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং মুখ্য মন্ত্রি-যুম াম খেমচান্দগা উন্নখ্রে।

অমরোমদা, এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগী ইগজ্কিটিব দাইরেক্তর-সন্তোস কুমার রাহগসু ঙরাং রাজ্যপালগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা মাংলোমদা চংশিন্নবগীদমক এন.ঐচ.আই.দি.সি.এলগা ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং কন্নেক্তিভিতিদা তেংবাং পীননবগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

**কোনুং(এল)ঃ** অমাইবা-অমাইবী অমসুং পেনাগী রিফরেসর কোর্স কম ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম, ১৬ শুবা উন্নো কোনদে হুনবা থৌরম-২০২৬ ঙসিদগী হৌরগনি।

থৌরম অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা চথগনি। উত্র শঙলেন সনা কোনুংনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিগী হৌদোকপগী থৌরমদা আর্ট এন্দ কলচর মন্ত্রি-খুরাইজম লোকেন শরুক য়াগনি।

**পুলিস(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী থি হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক থৌরমশিং মখা তানা চথুরি।

রাজ্য পুলিস কন্ত্রোল রুমগী পাউনা হায়-থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ৪৬ শুবা অসাম রাইফলসক অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ য়ু.এন.এল.এফকী এক্তিব কাডর অমা ফারে। মীওই অসি থৌবাল জিলাগী থৌবাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লমদিং খুমন্থেম লৈকাই এরিয়াদগী ফাবনি। মীওই অসিদগী চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং ফাখি।

অমরোমদা, হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা তেংনৌপল পুলিসনা তেংনৌপল জিলাগী খারৌ খুলেন এরিয়াদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা য়ু.এন.এল.এফকী এক্তিব কেদর অমসু ফাখি।

**নোং(এল)ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট, ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি-হুমনি অসিদা রাজ্য অসিগী মফম খুদিংমক্তা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

সেন্টর অসিনা পীবা ৱেদর রিপোর্টকী মতুং ইন্না-রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মফম খরদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

**ব্রিক্স ঃ** ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা ১৮ শুবা ব্রিক্স মীফম ঙসিদগী নিউ দিল্লিগী ভারত ম

দপমদা হৌরগনি। ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিগী থিমনা-বিল্ডিং ফোর রিজিলিয়েন্স, ইনোভেসন, কোওপরেসন এন্দ সসটেনেবিলিতি হায়বসিনি।

নুমিৎ নিনি চগুগদবা মীফম অসিদা ব্রিক্স লৈবাকশিং অমদি পার্টনর লৈবাকশিং শরুক য়াগনি। মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৪৯ অমসুং মালেমগী জি.দি.পিগী চাদা ৪০ দি ব্রিক্স লৈবাকশিংনা ওইরি। মীফম অসিদা রসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিন, চাইনাগী রাষ্ট্রপতি সি জিন পিং, সাউথ আফ্রিকা, ইজিপ, ইন্দোনেসিয়া, ইরানগী রাষ্ট্রপতিশিং, ইথোপিয়াগী প্রধান মন্ত্রিনচিংবা শরুক য়াগনি। ব্রিক্স মীফম য়াওনবগীদমক ব্রিক্স লুচিংবশিং ভারত্তা থুংলরে।

ব্রিক্স মেম্বর লৈবাকশিংনা ভারত মন্দপমদা ভারত ইনোভেট ইগজিবিসন য়েংগনি। মখোয়না উ চারা কয়ামরুমসু থাগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ব্রিক্স লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোক্কনি।

**পুতিন ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমির পুতিননা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরী নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে।

পোলিটিকেল, ইকোনোমিক, দিফেন্স, ইনর্জি, স্পেস, স্কিল মোবিলিতি য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অনিনা মতেং পাংনরিবা অদুগী মতাংদা খন্নখি। মসিগী মথক্তা লমদম অসোমগী অমসুং মালেমগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম নোংচুপ এসিয়া অমদি ব্লেক সি লমদমদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি।

**সিতরামনঃ** শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনগা রাসিয়ান ফেদরেসনগী অহানবা উপ প্রধান মন্ত্রি-দেনিস মানতুরোপকা ন্যু দিল্লিদা ব্রিক্স মীফমগী মাংওইননা ঙরাং উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা শেল থুমগী অমদি তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা তেংবাং পীননবগী মতাংদা

খন্নখি।

শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়-ফাইনান্সিয়েল সার্ভিস সেক্তরদা হেন্না খুদোংচাবা পীদুনা তেংবাং পীননবগী ৱাফমশিংসু খন্নখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি কিষান মন্ধন য়োজনা (পি.এম-কে.এম.ৱাই) হৌদোকখিবা ঙসি চহি ৭ মপুং ফারে।

স্কিম অসি ইং ২০১৯ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা হৌদোকখিবনি। স্কিম অসিগী মখাদা লৈবাক অসিগী লৌমী লাখ ২৫ রোমনা রেজিস্তার তৌখ্রে। হরিয়ানা অমসুং বিহারনা স্কিম অসিগীদমক্তা খ্বাইদগী মশিং য়ামা রেজিষ্ট্রেসন তৌরকপা রাজ্যশিং ওইরি।

স্কিম অসিগী মখাদা লৌমীশিংদা শেলগী তেংবাংশিং পীরি।

**বিহারঃ** বিহারদা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম হৌজিকসু খুদোংথিনিংঙাই ওইরি।

ষ্টেট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মতুং ইন্না রাজ্য অসিগী জিলা ১৪ গী ব্লোক ৮৫ তা মীওই লাখ ৪৪ হেন্না ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরি।

অকাশবানি পাউমীনা হায়-ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংগী ওইনা কম্ম্যুনিতি কিটচন লিশিং ১,০৪০ দা চান-থকবশিং পীবা য়াওনা তেংবাং পীবগী থবক চৎথরি। হি লিশিং ১,৯৪২ মথৌ তৌরি। ঈচাও অসিদা অৱাবা তারবা মীয়ামদা তেংবাং পীনবগীদমক মেদিকেল কেম্প ৮১২ হাংদুনা থমলি।

ৱাটর রিছোর্স বিভাগনা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ইমায় তপা তপা হন্থরক্লি।

**হোকিঃ** চাইনাগী মোকিদা চৎথরিবা জ্নিয়ার এসিয়া কপ হোকিদা ঙসি ভারতকা সাউথ কোরিয়াগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ভারতকী নুপা জ্নিয়ার হোকি

টিমনা মালেসিয়াবু পাঞ্জলত৩-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা ঙসি অথেংবদা সাউথ কোরিয়াগা পাকিস্তানগা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা য়ু.এস. এম্বেসেদরগা উন্নখিবা, মনিপুরগী প্রিন্টিং এন্দ ষ্টেস্নারিনা অৰাং নোংপোক্তা অহানবা পেপর লেস দিপার্টমেন্ট ওইবা ঙমলে হায়বা পাউ অমসুং বেঙ্কশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরূওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি। পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ, মনিপুর মেল অমসুং গানফিয়ু মেল য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

মনিপুর ইরাংগী মরক্তা য়ু.এস. এম্বেসেদর-সরজিও গোর লাক্তুনা চীফ মিনিস্তর-যুমাম খেমচান্দগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে হায়বসিনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরগী প্রিন্টি এন্দ ষ্টেস্নারিনা অৰাং নোংপোক্তা অহানবা পেপর লেস দিপার্টমেন্ট ওইবা ঙমলে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। এন.আর.সি. অপদেদ তৌহন্নবগী দিমান্দগা জে.এফ.দিনা খোঙজং চংশিনখিবগী পাউ পোকফম য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। জে.এফ.দিগা হোম মিনিস্তরগা ৱারী শান্নবদা য়ান্নখিদ্রে হায়বসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নোনেদগী ব্লোকেড শৌগৎপা নুপী মঙা ফাজিনখিবদগী নেসনেল হায়ৰে

৩৭ দা টোটেল সটদাউন্দ লাউথোকখ্রে। মালোমগী ওইল দিপো অমসুং সেকমাইগী এল.পি.জি. বোটলিং প্লান্টতা টেঙ্কর অমত্তা থাউ অমসুং গ্যাস থাখিদ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল, তমেংলোং টাইমস য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ইন্দেন এক্সত্র লাইফ নাউ প্রিমিয়ম টেন কে.জি. কমপোজিত এল.পি.জি. সিলিন্দর লোঞ্চ তৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা ফোংলি। চুরাচান্দপুরদা সু গ্রুপ য়ু.এস.আর.এগী কাডর মঙা খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিমক্কী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা লামাইদসু ফোংলি

কৈথেলমানবীদা গাড়ি ২০০ রোম পল্লি হায়বা পাউ অমসু সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি ।

রুরেল দিবলপমেন্ট মিনিষ্ট্রিগী সেনিয়ার ওফিসারশিং মনিপুরদা লাকখ্রে হায়বা পাউ মনিপুর মেলগা এঙ্কর কলমদা ফোংলি।